**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-01-2026)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লৈবাক অসিগী ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন মণিপুরদসু পাঙথোকবা ফুল দ্রেস রিহারসেল মফম কয়াদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

২) পি.দব্লিউ.দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার চোংথাম বিশ্বচন্দ্রনা হায়রি- ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিং রিজিৎ পেভমেন্ট থারকপদা লম্বী পীশিল্লকপগী ৱাফম লৈতে।

৩) মণিপুরগী নিংথৌ সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়রি- চীং অমসুং তমগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী থমবা থবকশিং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

৪) জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ পালন ঙসি মণিপুরদু মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী নহারোলশিংদা অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

**------**

**রিয়ারসেল (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন মণিপুরদসু পাঙথোকবা ফুল দ্রেস রিহারসেল মফম কয়াদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৬ তা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী মপুং ফাবা রিহারসেল ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

রিহারসেল অদুগী মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট অমগী পেরেড অদু ৮ শুবা এম.আরগী সি.ও- এন. মোধুনিমাইনা লুচিংদুনা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দগী হৌখি। পেরেড অদুনা কংলা ফাওদুনা নোর্থ এ.ও.সি রোম থংবা কংলাগী অৱাং থংবা সনাথোং ফাওদুনা লাক্লবা মতং অমুক হন্না অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা থুংখি। রিহারসেল অদু পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ইম্ফালগী মফম খরদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈখি।

৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী রিহারসেল তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসশিংদসু পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিন্দুনা জিলা অসিগী ওইনা ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। রিহারসেল অদুদা বি.এস.এফ, মণিপুর পুলিস, ত্রাফিক পুলিস, ভি.দি.এফ, আশা অমসুং স্কুলগী মহৈরোইশিং অমদি কলচরেল গ্রুপ পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ২৫ না শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনসু গনতন্ত্র দিবস পালনগী রিহারসেল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নোনে জিলাগী লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদসু ঙসি গনতন্ত্র দিবসকী ফুল দ্রেস রিহারসেল পাঙথোকখি।নোনেগী দি.এস.পি জিলাঙন্বা থঙ্গালনা লুচিংবা পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ১৬ কী মার্চ পাস পেরেদ অমনা রিহারসেল অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নোনেগী এস.পি. নমসাদাই পিটর পামৈ অমসুং এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট এস.দি. রিথুং অনাল শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিন্দুনা রিহারসেলগী থৌরম জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। কন্টিঞ্জেন্ট ১২ না শরুক য়াবা মার্চ পাস পেরেদ অদু জিতেন্দ্র প্রসাদ কিরনা লুচিংখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু ফুল দ্রেস রিহারসেলগী থৌরম পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিনবা রিহারসেল অদু চুরাচান্দপুরগী হিয়াংতম লমকাদা লৈবা পাব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। কন্টিঞ্জেন্ট ৩১ না শরুক য়াবা মার্চ পাস পেরেদ অদু রবি গঙ্গৱারনা লুচিংখি।

কাংপোকপী জিলাদসু ঙসি ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী রিহারসেল পাঙথোকখ্রে। বৃগেদিয়ার থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ, আই.আর.বি, ভি.দি.এফ, এক্স-সার্ভিসমেন অমসুং মহৈরোইশিংগী মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট অমা পাবিত্র গোয়লনা পেরেদ কম্মান্দ তৌদুনা পাঙথোকখি।

থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি ফুল দ্রেস রিহারসেল ঙরাং পাঙথোকখি।

**লম্বী (এল)ঃ** রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়ার চোংথাম বিশ্বচন্দ্রনা হায়রি- ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা পায়খৎলিবা রিজিৎ পেভমেন্ট থাবগী থবক অসিদা হান্না লৈরম্বা লম্বীগী শরুক্তা পীশিল্লকপগী ৱাফম লৈতে। মসিদগী খরা হেন্না পাকথোকবা থৌরাং লৈ।

মণিপুর অরবান রোড, দ্রেনেজ এন্দ এসেষ্টস মেনেজমেন্ট ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্টকী মতাংদা ইম্ফাল হোটেলদা পীবা মিদিয়া ব্রিফিং অমদা শ্রী বিশ্বচন্দ্রনা হায়- লম্বী শেম্লকপা অসিদা খ্বাইদগী তঙাইফদবা অসি মীয়াম অশোই অঙাম থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি। কম্পনিশিংনা করিগুম্বা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলমদ্রবদি মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি।

মহাকা হায়- প্রোজেক্ট অসিনা পুন্না কিলোমিতর ৫৪৭ মিতর ২৮১ কোনশিনগনি। মসিগী অপুনবা শেনফমনা লুপা কোতি লিশিং ৩,৬৪৭ লাখ ২৩ নি। মসিগী মনুংদা লুপা কোতি লিশিং ২,৮৯৬ লাখ ২ গী শেন্থংদি এসিয়ান ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক(এ.আই.আই.বি)দগী লোন ওইনা পীথরকপনি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি কেন্দ্রনা চাদা ৯০ অদুগা রাজ্য সরকারনা চাদা ১০ পুথোল্লগা পায়খৎপনি। শ্রী বিশ্বাচন্দ্রনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা মিদিয়া ব্রিফিং অসি মরুওইনা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎলকপা মতমদা বিভাগ অমগা বিভাগ অমগগী মরক্তা পাউ ফাওদোকদুনা লম্বী শেম্বা লোইরবা মতুংদা অমুক তৌখায়দনবা মওংদা চত্থনবনি। চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা হায়- চীংগী জিলাশিংদা

পায়খৎলিবা রিজিৎ পেভমেন্ট থাবগী থবক অসিদি হৌজিক ইম্ফালদা চৎথরিবা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা নত্তে। চীংগী জিলাশিংগী ওইনা অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমদগী লুপা কোতি ১৭০ কাইথোক্তুনা শেমগৎপনি। মহাকা হায়- করম করম্বা মফমদা রিজিৎ পেভমেন্ট থাগদগে হায়বদু মীয়ামা বিভাগ অসিগী ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা শেমগৎলিবা লম্বী থোংগী ফিভম ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। ককচিং শুমাক লৈকাই মানোন পরেংদা হৌজিক হৌজিক লম্বী শেমজিনবগী থবক তৌরিবা অদু এম.এল.এনা হকথেংননা য়েংশিনখি।

**নিংথৌ (এল)ঃ** ইম্ফালগী কোনুংদা চীংগী নিংথৌশিং অমদি খুঞ্জাশিং লাক্তুনা লেক চাদুনা লৈননবা শেমগৎলিবা গেষ্ট হাউসকী ফিভম মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবা লৈশেম্বনা ঙসি চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা নিংথৌনা হায়- গেষ্ট হাউস অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক চাদা ৮৫ রোম লোইশিল্লক্লে। চীং অমসুং তমগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী থম্বা ঙমহন্নবগীদমক তোইনা উন্নবা অমদি চামিন থকমিন্নবা য়ানবগীদমক গেষ্ট হাউস অসি শাখিবনি। গেষ্ট হাউস অসি নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী শেন্থং মখাদা লুপা কোতি ৭ লোম চংনা রাজ্যগী তুরিজম দিপার্টমেন্টনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইদুনা পুলিস হাউজিংনা ৱার্ক এজেন্সি ওইনা শাবনি।

**গার্ল (এল)ঃ** জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ পালন ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

বেতি বচাউ-বেতি পরাউগী থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা নুপীমচাশিংগী হেসি চিলদ্রেন হোমদা ঙসি পাঙথোকখি। আই.সি.দি.এস. সেল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা পুন্না শিনবা

থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং অমসুং কুইজনচিংবা পাঙথোকখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম জিলা অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিনবনি।

জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ ফেরজোল জিলাগী ফেরজোল পাব্লিক গ্রাউন্দদসু পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা শিনবা থৌরম অদু, বেতি বচাও, বেতি পরাও হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মনুৱামচিংনা হায়- নুপীমচাশিংবু মপুং ফানা লাইরিক হৈহনবা হায়বসি মখোয়দা মান্নবা চাকথুং অমসুং শক্তি পীনবা তঙাইফদবা অমা ওইরি। থৌরম অদুদা নুপীমচা খুদিংমক্কী তুংগী পুন্সিদা থোং মান্নবা অমসুং হেন্না শাফবা ওইহন্নবগীদমক পুন্না ৱাশক লৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নেসনেল গার্লস চাইল্ড ডেগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে। উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল গেরিসনদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অদুদা নুপীমচাশিংবু ঙাকপী শেনবীবা, থোরকপা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকপা অমসুং আইনগী ওইবা ঙাক্লৌশিংগী মতাংদা নিংথিনা তাকপী তম্বীখি।

**রিসিকান্ট (এল)ঃ** ককচিংগী এম.এল.এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা হায়রি- এ.আই.এনা থিজিনবা হৌখ্রবা রিসিকান্ট মীশিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামা পাংমিন্নশি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী রামেশ্বরনা হায়- ৱাথোক অসিগী মতাংদা রাজনীতিগী ওইবা ৱাফমশিং থাদোকদুনা মরাল লৈবশিং ফাদুনা দন্দি পীনবা হোৎনবদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে।

ওল মণিপুর নুপী মরুপনা রিসিকান্ট মীহাৎকী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পাগদবনি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** ফেরজোলগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবশিং থেংননবগী মতাংদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং অদুগী মনুংদা অখঙ অহৈশিংনা, মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমসুং মী কনবা অমদি তেংবাং পীবগী মতাংদা নিংথিনা তাকপী তম্বীখি।

**রোড সেফতি (এল)ঃ** নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ২০২৬ কী থৌরম ঙসি পারবুংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লম্বী চৎপগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমসুং রেল্লি অমসু পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোল, জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ত্রান্সপোর্ট ওফিসনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অহল ওইরবশিংগীদমক সরকারনা পায়খৎলিবা থৌশিল থৌরাংশিংগী মতাংদা হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোং, জেদ.ই.ও, জে.এন.ভি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস তমেংলোংনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তমেংলোংগী জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালায়াগী এন.সি.সি মহৈরোইশিংনা শান্নবা শরক সুরক্সা অভিয়ান হায়বা ষ্ট্রিট প্লে অমা উৎখি।

**ডে (এল)ঃ** রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা ককচিং খুনৌ কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিত, আই.কিউ.এ.সি অমসুং ইকো ক্লবকা পুন্না খুৎশমদুনা কলেজ থাক্কী মহৈরোইশিংগী সিম্পোজিয়ম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সিম্পোজিয়ম অদু ৱেট লেন্দস এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজ সেলেব্রেতিং কলচরেল হেরিতেজ হায়বা য়ুনাইতেদ নেসন্সকী থিম অদুদা পাঙথোকখিবনি।

**কেম্প (এল)ঃ** ফেরজোল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসতা লেমা লায়েংবা অমসুং মীৎতা ঙৌদোংনা নাবা খঙদোকবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট লেবেল আশা কনভেন্সন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অহল ওইরবশিং য়াওনা মীওই কয়ামরুমগী মীৎ চ্যেক তৌখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী দিক্যুরামদা তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং দিক্যুরাম ভিলেজ ওথোরিতিনা শিন্দুনা হোর্নবিল কন্নবগী মতাংদা মীয়ামগা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নুপী অমসুং নুপা ১২০ লোম শরুক য়াখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** লাক্লিবা থা অসিগী ৩১ দা কোকোমিনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর কনবা খোঙচৎ অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌরি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মীয়ামগী খোঙচৎ অমসুং মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ঐখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা মণিপুর কন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নশি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী ৱাংলি মার্কেটতা লৈবা এমেজিং গ্রেস মিসন স্কুলগী হোলদা পুকিং ৱাখলগী লায়নাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং স্কুল অসিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাং য়াওনা নুপী অমসুং নুপীমচা পুন্না ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ময়াং লাংজিং তানি মখা লৈকাইগী পুখ্রি অমদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবী সনাহনবী মীশিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি কোংপাল ময়াই লৈকাই য়ু.জি.বি স্কুল কেম্পসতা ৱাকৎ

মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা দন্দি পীয়ু হায়বনচিংবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা অমসুং মীরৈবাক্তা লৈরিবা ভারত মচা নহা ওইরিবশিংদা অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা সরকারনা হোৎনরি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ভারচুয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা নেসনেল রোজগার মেলাদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমগা লল্লোন ঈতিক অমসুং মোবিলিতিগী মতাংদা য়ান্নচেশিং সহি তৌনখিবা অসিনা হৈথোই শিংথোইরবা লৈবাক অসিগী নহারোল কয়াদা খুদোংচাবশিং পীরগনি।

লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী ইকোনোমি অসি চহি ১০ গী মনুংদা শরুক অনিদা হেনগৎহনবা ঙম্বা মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক অমনি। ঙসিদি ভারত্তা মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবনা শেল থাদরকপদগী কুমজা ২০১৪ দা লৈরম্বা শেল থাদরকপগী চাংদগী শরুক অনি মখায় হেল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী নহারোল কয়াদা থবক পীবদা চাউনা মতেং ওইরি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ--**

**ফুটবোলঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল্ড বোইজ ফুটবোল ক্লবনা ক্রুগপুবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা পথাপ এফ.সিনা ইলিট এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং য়ু.এস.এনা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** হিদাম ধনঞ্জয় মীতৈ মেমোরিএল ফার্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ গী ঙসি লংদুম হায়স্কুল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা গোল্ডন এফ.সি ক্যামগৈনা উয়োল এফ.সি-এবু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৯ শুবা দি.এস.এ ককচিং ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.সি.সি. ককচিংনা কে.এন.এস.দব্লিউ.সি কৈরকপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** হাউরৈবী কাংজৈবুংদা, হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনদুনা চথরিবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা- হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা ৱাংগোই এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। মরিসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচকী ওইনা পুজা এফ.সি হৈরোকা সাইদা ক্ষেত্রিগাউবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** কে.সি.সি. কপ খুরাইগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.পি.এ.আই.এম.এস হাওতলনা এ.সি.টি রিফোর্ম থোংজ়বু রন ১০৮ তা থোইখি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা কে.পি.এ.আই.এম.এস হাওতলনা সি.এল.টি পোরোমপাৎপু রন ৭৫ দা, সি.এল.টি পোরোমপাৎনা এ.সি.টি রিফোর্ম থোংজ়বু রন ৬৮ দা থোইখি।

------